# লাই নীংবা অমসুং খুরুম্বা - এক্টিং মখল অমনি

হন্দক কোরোনাভাইরসকী অনীশুবা ঈথক হায়না খঙনবা, ভাইরস'সিগী অনৌবা শায়োন অমনা কন্না লান্দারকখিবা (হৌজিকসু লাম্থেংনরিবা) লানফমদুদা ঐবুসু চৈনা ফংহন্দুনা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা লায়কন্নরিঙ, খরা খরা কনখৎলকপা মতমদুদা ঐগী মরুপ অমনা টেলিফোন'দা হায়রকখি ... 'হন্দক নাবা ফরক্তুনা, হান্নগী ফীভমদা লাক্লবা মতুংদদি লাই খরা নীংলসি, তীনখেৎ-লাইখেৎপগী থবক্তুমা খরা থাদোক্লরসি, চহী মতাংসিগা ওস্থোক্লা চানদ্রে'...।

মহাকখক্তা নত্তে ঐগা নক্লনা লোয়নবা, হুইয়েন-লানপাউ-কাখলদা ঐগী কোল্লম মরক মরক পাবীবা মরুপ-মপাং অয়াম্বনা খনবনি - 'ঐহাক লাই থাজদে'। লাই থাজদবনা, ঐহাক লাই নীংদে, ঐহাক লাই খুরুমদে - খল্লি মখোয় অয়াম্বনা। ঐনদি হায়নবা হোৎনজবনি - 'লাই লৈ' হায়না থাজবা কাঙবু অদুগা 'লাই লৈতে' হায়না থাজবা কাঙবু অদুগা-অনী অসি করিমত্তা খেন্নদে। অনী অসি অমত্তনি, ৱাখল খূৎখন মান্নদবদুখক্তনি। অমনা 'লৈ' হায়না থাজবা, অমনা 'লৈতে' হায়না থাজবা! অদুগা, 'সিমসু ঐ মতম চূপ্পদা হায়জৈ - ৱাখল অসি ইরন্নাই হেক্তা খল্লকপা নত্তে, গৌতম বুদ্ধগী ৱাখল খুদুং ইল্লগনি। অতোপ্পা, মরু ওইবা ৱাফম অমনা - 'লাইগী মরমদা, নৎত্রগা লাইনীং লন্বী অমগী মরমদা ফোঙলিবা/ইরিবা লাইরিকশিং হেন্না মুন্না, চেকশিন্না পার-পারগা ঐনা লাই থাজদবগী চাং হেনগৎলকই' - হায়না ফোঙদোকচবসি মরুপশিংনা থাজবীদবা অসিনি।

মন্দির/মসজিদ'তা/চর্চতা চৎলগা নীংজবা লাই অমগী মফমদা খূৎ লোন্নদুনা, কোক নোল্লদুনা, মতিক-মগুন শৈথাদুনা থাগৎলগা 'অনা অয়েক য়াওহনবীনু, পুন্সি শাংবা পীনবীয়ু, নুংঙাই য়াইফ ওইহনবীয়ু, মপোক মপোক খুদিংমক্তা ননাই ওইনা পোকহনবীয়ু' হায়না খুরুমজবা/প্রার্থনা তৌবা অদুতনা লাই নীংবা নত্তে। মদুদি ওইজবা থিবা পূক্লিংনি। 'ঐনা তাকপা লন্বীসিদা লাক্লিবা মখোয়তনা লাইগী লৈবাক য়ৌগনি, অতৈ লাইনীং লন্বী পূন্নমক নরক তম্না চৎলিবনি' হায়বা লাইপাউ শন্দোক্লিবা মহাক্তুসু খ্বাইদই চাউবা মীফত্তনি। 'লন্বী মান্নদবতনি পন্থুংদুদি অমত্তনি' - লাইপাউ শন্দোক্লোই অমত্তগী মচিন্দগী ৱাহৈ অসি থোক্লক্তে। 'ঐগী লাইনা খ্বাইদই পুকচেল চাউবনি, খ্বাইদই ঙম্বা, খ্বাইদই চাউবা, পীনহৈবদু মহাক্নি, মঙোন্দবু চঙজরবা মখূৎ হাঙনা হল্লোই কনামত্তসু'... মীওইবা মশেল নুংশিনহন্দনবা, কল্লক য়েংথীবা হেনগৎহল্লবা লাই লল্লোনবা খূৎপুগী লুচিংবশিংনা শেমগৎলম্বা ৱাহৈগী লাং অমনি। মীওইবা কৌবা থৱায় পানবসিগী খ্বাইদই লাইবক থীবসি 'ঐখোয় ইশানা লাংদুদা থুরে খঙজদবা, খঙলবসু লাংদুদগী নাম্থোকচবা ঙমদবা' অদুনি। লাই খুরুম্বা/প্রার্থনা/প্রেয়র/দুআ হায়বসি নীংজবা ঈশ্বর মঙোন্দগী করিগুম্বা খরা নিবা, ওইজ ওইথক থিবদু নত্তে, অতোপ্পা থৱায় অমগীদমক ঈশ্বর'দা করিগুম্বা খরা হায়বদুনি 'প্রেয়র'/প্রার্থনা। মহাক্লা তাবা/তাদবা খনফম থোক্তে ঐহাক্লা। ঐনা তৌখিবা প্রেয়রদুগী এক্সপাইরি-দেট অমা লৈতে- কৈদৌঙৈ, কদায়দা, কমদৌনা ঐগী প্রেয়র তাবীগনি? খঙদে ঐ, গরেন্টি লৈতে। খনফমসু থোক্তে। অদুগা প্রেয়র তৌবদি লেপ্পোইদবনি। ঐনা প্রেয়র তৌরিবা, ঈশ্বরগী ৱাখল হোংহন্নবা নত্তে, ইশানা ইশাবু হোংহন্নবনি। অদুগা, থাজবীয়ু 'সিমসু - লাইগা পাউ ফাওননবা অখন্নবা লাইগী লোল অমা লৈতে। করি হায়রগা, করম্বা ৱাহৈনা মঙোন্দা প্রার্থনা তৌগদগে খঙলক্ত্রবা মতম অদুদনা হেল্লি লোম্থোক্তবা ঐগী থম্মোয়গী ৱা তাবীদৌ' মানা তাবীবা।

য়ূম শানি, খুন লিংনি, ফি শেৎকনি খঙলমদবা মীওইবনা ৱাখল-লৌশিং তপ্পা-তপ্পা চাওখৎলক, মশাগী ৱারী লীনরম্বনা পেল্লক্তদুনা মাবু শেম্বা লাইগী ৱারী শেমগৎলকখি। চহী কয়া লীশাং শিংনা, মীরোল অমদই অমদা চিন্থাঙ ৱারী, মথং মথং লীনরকখি। অইবা লাইরিক ওইনা মফম কৈদসু লৈরমদে। ইথোক্তুনা থল্লবই ৱাখলসু কনামত্তই মফমদা পোকখিদে।

হ্যুমেন সিভিলাইজেসনগী শাংলবা ৱারী তাঙ্ককনি। ৱারেং মচা অসিদা কয়াম' মরীক চূম্নবু লীরুবদি ঙমগনি! মালেমগী ওইবা অরিবা সাহিত্যগী পূক্কে নৈনরকপদা, সুমেরিয়ন, বেবিলোনিয়ন অমদি ইজিপ্টসিয়ন লিটরেচর, কাম্থোক্তুনা চৎপা য়াদ্রবসু ইন্দিয়ন সিভিলাইজেসনগী 'বেদিক লিটরেচর' - অমেরিকান রাইটর 'মার্ক ত্বাইন'না 'ক্রেদল ওফ ৱর্ল্ড লিটরেচর' (মালেমগী সাহিত্যগী নাউশুম) নি হায়নফাওবা শৈথাখ্রিবা, ঙসি ফাওবা রিলেভেন্স মাঙদ্রিবা এনসিয়েন্ট-লিটরেচর অমনি। 'বেদ' হায়বদি 'লৌশিং'! বেদিক লিটরেচর - লৌশিং পীবা লাইরিক হায়রগা খঙনরল্লিবসি লাইরিক মখল মরিনি - রিগ বেদ সাম বেদ, যজুর বেদ অমদি অথর্ব বেদ। খৃ: পোক্ত্রিঙৈ চহী ১২০০দগী ১৫০০ ফাওবগী মনুংদা খোমজিন্দুনা ইরমখিবা লাইরিকনি থাজনৈ- 'রিগ বেদ'। অতোপ্পা বেদ অহুম অসিনা খৃ: মমাঙ ৯০০দগী ১২০০ ফাওবগী মনুংদা ইরমখিবনি। চিন্থাঙ ৱারী ওইনা লৈরম্বা ভারতবর্ষ অসিগী মফম খুদিং, কাচিন-কোয়া-শীন' থুংনা লীনরম্বা ৱারী শিংবুলদু লাইরিক ওইনা ইথোক্তুনা থম্বগী তঙাইফদবা করিগী লাকখিবনো হায়বদুমকসু মরু ওইবা ৱারী অমনি। মতমদুদা, নোং তাদদুনা কুম অমা মহৈ মরোং লোকখিদে। ইকং থোকখি। মীয়াম হা-হা-কার লাউনখি। মথং চহী লাকপদসু কুমগী নোং তারকখিদে। অৱাবই মথক্তা অৱাবা অমা অমুক ননশিল্লকখি। চহী অনী নত্তে, অহুম নত্তে, মরি নত্তে - মঙা-তরুক-তরেৎ ... চহী তরামরি চূপ্না লৌবুক চোৎনা নোং চুরকখিদ্রবদা, লৌবুক লমহাং লৈক্রক চৎ, উ-ৱা-মনা-মশিং পূন্নমক লেপকং কং, লেপশি-শি, শা-ঙা-মী-উচেক-ৱায়া পূন্নমকসু পাক্তক্লনা শিরকখি। হিংনবগী পান্থে ওইরিবা লৌউ-শিংউ থবক্তুমক লেপখ্রবা, নোংলিক অমফাও খিকখিদ্রবা, ইকং থোক্লবা লমদুদা লৌশিং পীবা, কান্নবা ৱারী তাবীদৌবা কনানো? লীদৌরিবনা কনানো?

কৃষ্ণ দ্বৈপায়ন, সত্যবতি অমদি পরাসর মুনিগী মপারী-মতমদুগী লৌশিং লৈবা, লাইরিক হৈবা, ৱারী লীবশিংগী মরক্তা অমা ওইরম্বা মুনিদুনা খনখি - মমল য়াম্লবা, তাঙলবা ৱারী শিংবুলসি, প্রলয়গী মশক ওইরবা কোরৌশিনা লোইশিল্লকপদা মমি ফাওবা লৈহৌররোই, কনাগী চিন্দা পকহৌররোই, কনানসু খঙহৌররোই। ইশিন্দুনা থল্লবা করিগুম্বা তুংলমচৎকী কোরৌদুদা কনাগুম্বনা থেংনদুনা পাবীরকপসু য়াই। মথম্মোয়না য়ানীংলবা মীঙোন্দা ৱারী শারুনি। ৱাখলসিনা লমজিংদুনা বেদ মরিগী খোমজিনবা লাইরিক ইথোক্তুনা থল্লমখি। বেদ-সাস্ত্র, লৌশিং-পুক্কে ওইরবা লাইরিক অসি তাশিন-খোমজিন ইথোক্লম্মী হায়বইদমক মহাকপু 'বেদ-ব্যাস' হায়নসু মিংথোনখি। কনানা ওরিজিনেল রাইটরনো খঙদবা বেদ মরিসিগী মথক্তা 'বেদ ব্যাস' না লীরগা 'লোর্দ গনেশ'না ইথোকপনি থাজনরিবা 'মহাভারত', 'শ্রীমদভাগবত গীতা', 'শ্রীমদভাগবত মহাপুরান', উপনিশদকী লাইরিক পূন্নমক, লোয়ননা পুরান তরানিপান ... অমমমনা অচৌবা ইপিক অমা ওইরিব'সিগী মতাংদা অসুন্না হায়নৈ - বেদব্যাস'না ইথোক্তুনা থনল্লিবসিদি মতমদুদা লীনরম্বা ৱারী শীংবুল অদুগী চাদা নিপানগুম্বখক্তনি, অদুগা, মহাক্লা ইথোক্তুনা থনল্লবা শরুক্তুগী মনুংদা অমুকসু চাদা নিপানখক্তনি, ঙসিগী মীরোল'সিফাওবা থঙথরক্তুনা য়ৌরক্লিবা! খন্থবীয়ু - মতমদুদা লৈরমগদবা ইনাক খুনবা লৌশিং পূক্কে।

অসুন্না, বেদ-বেদান্তগী লুরবা ঈপাক্তুদা কূল্লরবা থেংনরক্কনি - চয়েৎ-চনৈনরবা, খঙবা ৱারবা লাইগী ৱারী কয়া, মী অমদি হিংচা য়াইতম্বশিংগী ৱারীগা ইতোৎ তোৎশিন্নরবা। মশীং থিঙমদ্রবা, তোঙানবা শক্তি কয়ানা ফুদোংবা লাইশিংগী ৱারী তুংওইনরগা ব্রহ্মা, বিষ্ণু, মহেশ্বর (ক্রিয়েটর, প্রিজার্বর, দেস্ট্রোয়র) কৌবা লাই অহুমদুগী মরক্তগী অমা (বিষ্ণু-দেবতা) না তোঙান তোঙানবা মীরোল (যুগ) দা মান্নদবা শায়োন (অবতার) তরা'দা করিগী শায়োনখিবনো? সত্য, ত্রেতা, দ্বাপুর অমসুং কলি কৌবা যুগ (মতমগী তাংকক) মরি থোক্লা খায়দোক্লগা, সত্য কৌবা যুগতুদনা মরিরক শায়োনখিবা করিগীনো? যুগ মরিদুগী মরক্তা অহানবা (সত্য/অচুম্বা) যুগ অদুবুনা খ্বাইদই ফবা, ফিদম্লিংঙাই ওইবা অমা ওইনা লৌনরিবা করিগী? হায়, মতমদুদা লায়রবসু লৈরমদে, ইনাক খুনবসু লৈরমদে। কনাগুম্বা অমইদমক অতোপ্পনা থবক শূবা/মনাই ওইবা চৎনরমদে। মীওইবগী অনীংবা/অপাম্বা খুদিংমক ফং'ঙল্লবা শক্তি লৈনরম্মী। লায়না তীলনা লৈরমদে, কল্লক-খম্বন পোক্লরমদে, নাপল মশক খঙলমদে, অৱাবা-নুংঙাইবা খেন্নরমদে। সত্য-যুগ'তা জগোয়-ঈশৈ-হরাও-কুমহৈ পাঙথোক্লমদে, নাত্য-সাস্ত্র লৈরমদে। মরমদি, অৱাবা-নুংঙাইবা-অকিবা লৈতবা তাইবঙদুদা মথৌ লৈতে এক্টরগী।

লাই লাৎপা অমসুং খুরুম্বা - এক্টিং মখল অমনি। লাই নীংবসু অমত্তনি।

*-সোইবমচা ইন্দ্রকুমার*

ৱারী ককনাউ

## শাজৌগী দশা

নহান নোংমা শাজৌগী য়াম্না নোক্লিংবা পাউ অমা তাখি। শাজৌ হায়রিসি, মীনা ৱাখল খরা বেরা লৈবা মীদৌনা অদুম খন্নে। ঐমক্তি শাজৌসি অদুক য়াম্না কোক বেরা লৈবা মী নত্তে খল্লি। ঐনা খনবদদি মাসি কোক য়াম্না ৱাংবা ওইনা উই। তৌবতবু মাগী য়ূমলৈ কৈরৈনা মরম ওইরগা মহাক্লা পিক্লিঙৈদগী তৌজগে খনবা থবক অমত্তা মায় পাকপদি ঙমখিদে। শাজৌ লাইরিক অদুম ফনা হৌরকপনি। অদুবু মানা ক্লাস আইট তম্বা মতমদুদা মপাদু গাড়ী এক্সিদেন্ট অমদা লৈখিদ্রে। মপাদু দ্রাইভরনি। দিমাপুর-আসাম-গুৱাহাতিদা চেনবা ত্রক দ্রাইভরনি। য়ূমদা কয়া তোয়না লৈতে। শাজৌবু পোক্লম্বী মমাদু য়াম্না ঙন্না লৈখিদবদগী, নোংমা মপানা শাজৌবু য়েংশিনবীনবনি হায়না হান্নগী মচা চাওবোক অমা য়াওবী অমা হোইরগা পুরকখিবনি। শাজৌনসু মমাতোনবু মমাদা মমাদৌনা অদুম খঞ্জে, নুংশিনা মমা-মমা হায়না কৌজে। অহানবদদি মমাতোন্না মাবু লুনা তৌবীবা মানবা কয়া লৈকায়গী মীয়ামদা অমদি শাজৌগী মরী মতা লাকপশিংদু উখি। শাজৌসু হরাওজখি মমা অমা ফংজবগী।

মপানদি কোয়না চৎতুনা গাড়ী থৌরবনিনা য়ূমদা কয়া থোইনা লৈতে। লন্বীগা বন্দ তৌরদি থা অমা রোম হেন্না য়ূমদা হল্লক্তবা য়াওই। অদুক য়াম্না কা হেন্না য়াইফবা ইমুংমক্তি নত্তবনিনা, অৱাৎপগী অৱাৎপা মরক অদুদা শাজৌগী অৱাৎ অপা মমাতোন্না য়েংশিনবা ঙমদে। মঙোন্দা য়েংবা মীৎয়েংবুদি মাগী হান্নগী মচা চাওবোক অদুনা হেন্না লুনা তৌবী। চাবমক্তা ওইরসু, অপোকপা মচা অদুনা মবুক থন্না পীজৈ। শাজৌদি অয়াম্বা মতমদা য়েংলগা তোকপা ঙাক্তনি। মদুগুম্বা কয়াদুনা মরম ওইরগা শাজৌদু চাওর-চাওরগা শিংবা হেল্লকপদি লায়রদনা অপঙ অসুদৌনা য়াম্না কিনা নোংম-নোংমগী ফীভম অমা হোংলকই। ময়াম্নদি মাগী মতৌদু নুংশিরসু ঙাওরি-ফৈরি তৌরে হায়না লৌবী। মরমদি মহাক্কী অফবা ফিরোল অমত্তা লৈতে, শেৎলিবদুসু শেগাইবা হন্না হন্না ফোৎলবা ঙাক্তনি। অদুম তৌনা হৌরকপদুনা মানা নোংমা লৈকায়গী ষণ শেল্লুরগা হল্লকপদা মপাগী অশিবা মশা অদু অঙৌবা ফি অমনা কুপ্পগা শুমাংদা লৈরম্বদু উরুবদগী মহাক ৱা অমত্তা ঙাঙখিদে। কপসু কপখিদে। মহাক হেন্না ৱাখল শোকচিনখি।

কুম অদুদগী শাজৌ মীনা পীজরগা চাবা, পীজদ্রগা লফু অনৌবা থুদেক্লগা চাবা, পুংধোন মনা অনৌবা হেক্তুনা চাবা, পুখ্রিদা কুমদুনা ঈশিং থক্লগা মবুক থন্নবা হোৎনবা নত্তনা করিসু পান্থে লৈতে। লৈকোয়নসু নোং ফাদোক নুংশিদনা খরা পীজবা অদু মঙাই। নুমিৎ খুদিংগীদি কনানা ঙমগনি। পীজদ্রসু তোক্লা য়াদুবু, অমুক মাবু করেম কথাইনবীবা, লক্লবীবা কয়া অসি শাজৌগী পূক্লিংদা মখোয়বু ৱারৌরবসু, ৱারৌবদু মকা লাম্বা ঙমজদে। মরমদি মাদি য়াম্না শোনজৈ, মাগীনি হায়বদা কনাসু পাম্থোম তিংবীনবা লৈতে। অদুনা নোকফেৎ-নোকফেৎ তৌনা লৈবদুদা মহাকসি ঙাওরে হায়না খন্নবনি। হন্দক কোরোনাগী সেকেন্দ ৱেভ লাকপসিদদি মাদি কোয়চৎ চৎপনীনা নারম্বা য়াই হায়দুনা লৈকায়দা টেষ্ট তৌবদুদা মাবু টেষ্ট তৌনবা ময়াম চঙদুনা ফাই। শাজৌনা শিখাঙ হেক খাঙখৈ য়াদে, মমৈথংদা লৈকায় ক্লবকী নহাশিংদু শাউরকই।

"ঐখোয়না তৌরিসি ফাগিরো? নঙনা নারগা লৈকায়সি লোইনা শন্দোক্কেরো? অদুমাই তৌরদি নঙ লায়েংবদি লায়রদনা হাত্তোক্কদবনি" মোইগী ৱাদু তাবদা চৈসু শুদুনা থোরক্লিবা ইপন চাওবনা খাম্মী,

"হায় হায় অদুম্না হায়বা হৌনদে, ফজনা টেষ্ট তৌথোকসি হায়না থেম্মু, মাদি থেম্মগা য়াবনি, মীদবু অদুম্না হায়বা হৌনদেকো ইশুশা" ৱাসি হায়রম্মগা ইপু চাওবা মাগী চৈশুদু কোক কোক শুদুনা চৎখি।

"হেক নুংশিরক্তবা, লাওমি তা শাজৌ, নঙ টেষ্ট অমুক্তা তৌথোকসি হায়বনি, ঐনা হায়সে লৈকায় মীয়াম্না হায়বগা চপ মান্নে। লাও টেষ্ট তৌরুসি লাও"

"অদুদি নোইদা ৱা অমা হংগে" শাজৌনা খুম্মী।

"কৈনো হংঙু?"

"টেষ্ট তৌফমদগী লোইনা নারক্লদি, মদুসু ঐনা লৈকায়সিদা শন্দোকপনি হায়রগা ঐবু হাত্তোক্কদৌরিব্রা?"

"তা শাজৌ নঙ মরৈ য়াম্না য়েৎখ্রেদা"

"মরৈ নত্তে ননাও, টেষ্ট তৌফমদগী, হীদাক কাপফমদগী হান্না কৈসু নারমদবশিং নারকই হায়সি নোই তাদ্রা?"

"মদু নাদনবনি ঐখোয়না টেষ্ট তৌথোক্লগা য়েংসি হায়রিসি"

"ফরে তৌরসি, অদুবু ঐনা কোভিদ নারক্লসু ঐ নোইনা হাৎতৌ লৈরে, নোইনা হাৎত্রসু ঐনা নারক্লদি কনানসু হন্না য়েংবীদনা অদুম শিদৌ লৈরে, অদুদি টেষ্ট তৌদ্রিঙৈসিদা ঐবু হাত্তোকপীরো, ঐসে য়াম ৱানা হিংলবনি, ঐবু হয়েং কোভিদ নারগা শিরদি কনানসু ঐবু হন্না য়েংবীররোই, অদুনা নাদ্রিঙৈসিদা ঐবু হাৎতোকপীরো"

মাগী ৱাদু তাবগী মহুত্তা মখূৎ খুদাং পায়দুনা চিংদুনা পুখ্রে। শাজৌ টেষ্ট তৌরে, উচিন নাচিন্না নেগেটিভ ওইরে হায়না হায়রে। ময়ামদু হরাওনৈ, শাজৌদি হরাওদে, মশাদা ইচিং চিংনবা অমা ফাওরি। টেষ্ট তৌখিবা নুমিৎ মরিনি শুবা নুমিৎতগী শাজৌ লোক খুবা, লাইহৌ হৌবা, খৌনাও নাবা হৌরক্লে। মঙানি শুবদদি মহাক মনম ফাওদ্রে। খঙঙে শাজৌ কোভিদ নারে। মা ময়ূমদা হঞ্জিনদ্রে, লৈকায় খুনগী লৌবুক লমহাংদা অয়াম্বা মতমদা চৎতুনা লৈ। হীদাক চাদে, করিসু য়েংদ্রে, কমাইনা মানা য়েংলুনি, মাগীদমক কনানসু হীদাক পীবিগদবা লৈতে, চাক পীজবীগদবা লৈতে, অহোইনদুম মাবু তাম্থোকপীরক্কনি। হোস্পিটালদা করম্না চৎলগা লায়েংলুনি, মাবু য়েংশিনবীনবসু লৈতনা। প্রাইভেট হোস্পিটালদা চৎলুবদা মাবু ফ্রীদা লায়েংবীরক্কদ্রা? শাজৌ নোংমা নোংমগী ফীভম অসুম অসুম শোকচিনবা হেল্লক্লে। চৎলম্বা শাজৌ চৎপা ঙমদ্রে, খোংনাং পাম্বী অচৌবদুগী মখাদা মশাদু তাশিন্দুনা থক-থক নিক্লা হীপ্পী। নোং ঙাল্লবসু মানা হিপখিবা ফীভম অদুদগী হৌজিকসু শুকলেং লেংদনা লৈরি।

**— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

## লাইরিক হৈরসু খরদি কান্নে

মচা- ববা, আ ময়ায় লৈকায়গী মামা বোরসিংদো মীনা হায়রিবা শেল য়াম্না পায়রে হায়নৈ। অতাঙবা কার অঙাংবা অমসু তোংলে হায়, অদুগা মীগা ৱারী হেক শানবদনে ভাব তারেকো, ভাব তারেকো হায়না তোয়না হায়, সিবু মানা মীঙোন্দা করি তাকপীরিনো?

মপা - ঐসু তারে, মা শেল খরা পায়রমাল্লে। মাগী নুপীনা চেক্কোন্দা থবক শূরুরগা চারল্লিবনি। থুনা শেল পায়রকপনে, লাইরিক্কী মঙালসু ৱাৎপনা লৌশিং য়াওদবগী অদুগুম্বা ভাব তারবা হায়বা থকসি-খাসি য়াওদবা ৱাঙাঙ ঙাঙলিবনে।

মচা - লাইরিক হৈত্রগবু অদুম্না তৌগদ্রনে ববা,

মপা - ইচাবু মন্ত্রি দোলানস্না ফিল্ম য়েংলবা নৎত্রো?

মচা - য়েংলে ববা।

মপা - লৈবাকসিদসু মন্ত্রি দোলানস্নাগুম্বা মীওই য়াম্না লৈ হায়বদু উৎলিবনি। নঙগী মামা বোরসিংনা ভাব তারব্রা হায়না তোয়না হায়বগুম মন্ত্রি দোলানস্নাসু তোয়না হায়দনা, মন্ত্রি ফম তারবা ফাওবা দোলানস্নানা থকসি-খাসি য়াওদবা মখৈ তৌরিবদু উরবা নৎত্রো। মহাক্লা লাইরিক্কী মঙাল ফংলম্লবদি নঙগী মামা অমসুং দোলানস্নানা ঙাঙলিবা ৱাঙাঙদু ঙাঙলমগদ্রো?

মচা - মামা বোরসিংবুদি তোক্লসি, অদুগা মন্ত্রি দোলানস্নাদি... আ লাইরিক হৈত্রসু খরদি কান্নে?

**— এল ইবোমচা, তাওথোং**

## লাইরমলেনগী ইতা

তমুবী মুশিন মুই। চহী তরানিথোই/হুমদোইগী নুপীমচানি। মহাক মচেনা শেন্দ্রাদগী লৌরুদুনা মচেগী য়ূমদা লৈননবা পুরকখিবনি। তমুবী মুবতা নত্তনা মরোলসু খোই। খোয়রি-খোয়রি থোৎনা মেংনা মরোল সুদনা ঙাঙই। নাওবী মমিৎতা শং-শং উই তমুবীদো, শেন্দ্রাদগী মচেনা পুরকপা নোংঙানবগা ঈশিং অশাবনা ইরু ফজনা লুথোকপীখি। নুরা ফজনা তকথোকপীখি অদুবু ইঙৌ ঙৌখিদে।

তমুবীগী মচে অশাগা নাওবীখোয়গী য়ূমগা মনীং-মমাঙনি। অশাদি লাইরিক খরা তম্লকই, মমীৎ মনাসু খরা শীংই। তমুবীদি লাইরিক ময়েক চৎতে। মপা ঙন্না কায়নখিদুনা অৱা-অনা খাংলক্লবনি। মমা লুখ্রাবীনা লোক্তাক পাৎতা কুমদুনা ঙা ফাদুনা হৈকক য়েল্লি হেক্তুনা য়াম্না ৱানা য়োক্লকখিবনি।

তমুবীদু মচেনা য়ূমগী থবক ইনখাং ৱাইশিৎ-লমশেং, ফীজু ফিজাম্বা, কোল্লিক ফেংবা, পাখোন ইখোলদা খরা খরা শীজিন্নে। চৈ ঙাঙলবসু কয়া শাওগন্দে মমিৎ মনাদু ইতুক-তুকথদুনা লৈ। নাওবীগা তমুবীগা মরুপ শান্নবা হৌরে। নাওবীদি চহী কুনমাথোইমুক শুরে তমুবীদি অঙাংনি, ৱাখল কয়া মপূং ফাদ্রি। লাইরিক লাইশুনগা হৈতে, মমিৎ মনা কয়া শীংদে। তিন্নবদা নাওবীগা ফাক খরা চৎলি। মানা পাম্বনা অমা নাওবীনা নীংবনা অমা...।

নুংথিলগী মতম নৎত্রগা নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা তমুবী নাওবী খোয়দা হেক হেক লাকই। মচেনা পাখোন ইখোল হেক থারকপা খুদিং মহাক লাকই। এঞ্জাং অহাওবা অমা হেক থোংবগা তমুবী তেঙ্কোৎ অমা পায়রগা থিনবা হেক্তা লাকই। শেন্দ্রাদগী মমানা পুরকপা হৈকক, হৈকক য়েল্লি, ঙা অতেকপা, অয়াইবা মচেখোয়দা পুরকপা খুদিং মহাক্লা নাওবী খোয়দসু হেক হেক থিল্লকই। ৱাদি কয়া ঙাঙদে নোকফেৎ তৌদুনা লেপলৈ। লৈকায়গী মমান্নবীশিংদগী নাওবীগা ইহেন হেন্না পুনবা পাম্মী, তমুবীনা। নাওবীদি তমুবীবু লুনা তৌবী। চৈবী-ঙাঙবীদে মাগী অপাম্বা তৌবী অদুনা তমুবীনসু নাওবীগী মনাক্তা শুরু-শুরু নৈদুনা লৈনীংই।

নাওবীগী মমা-মপানদি তমুবীগা কয়া লোয়নহন্নীংদে মাবু নুংশিদবগী নত্তে। নাওবীগী লাইরিক লাইসু ঔরাইজগদবা মতমদা তমুবীনা য়েৎকনি নীংবদগীনি। মঙোন্দগী গ্যান লৌশিং অমত্তা লৌনীংঙাই লৈতে অঙাংনি অদুগীসু মথক্তা লাইরিক ময়েক চৎত্তবীনি। নাওবীদি ইনাক কৈরাক খুনবা মচানি। নাইতোম পোকই। মমা-মপানা আশা য়াম্না চাউনা তৌরিবনি। অদুনা খোঙথাং খুদিং শেন্নজৈ। মাগী তিন্নরিবা শঙ্গ মমা-মপানা য়েংই। ঙাইহাক শংবদা লাইরিক পাহন্দুনতা থম্মী। নাওবীসু লৈকায় মমান্নবী কনামত্তা তিন্নদে, স্কুলগী মমান্নবীশিং নত্তনা। মরক-মরক্তা তমুবী লাক্তুনা শীংজু চামিন্নে, হৈ মেৎতুনা চামিন্নে। লাইরিক্তা পাবা ঙাকসু য়ারক্তে। ঙাইহাক অৱা পোত্থাফম পীবসি তমুবীনা ওইরি, নাওবীগী মফমদদি। নাওবীগী মমা-মপা লৈতবা তাঞ্জা য়েং-য়েংদুনা তমুবী হেক-হেক লাকই। মরোল খোয়রি-খোয়রি নাওবীদা হায়ররৈ :

"চে নাওবী ঐদি রেদিওদা ঈশৈ খনবসি য়াম পামজৈ অমুক্তা খল্লুসিবা"

নাওবীসু লাইরিক্কী ৱাখলতনি খল্লিবা, মদুগুম্বদু নোংমতা খল্লুদে।

নাওবীনা : 'তমুবী য়াইয়ে, অদুবু ঐদি শৈশকপীসু খঙদে ঈশৈ ময়েক্লা করম্বা খন্নি'।

তমুবী : 'নহাক য়াওদা করম্না হিংগনি/হিংগনি করম্না নাইতোম ইথন্তা'...। মদু খনসি মদু ঈশৈদো য়াম পামজৈ।

নাওবী : 'হোয়, অদুদি হোরেল রেদিওগী সরদুনা করি তৌরল্লিনো? করি এঞ্জাং চাগে? করি করি হোৎনরি কায়না কোথ-কোথ হংলক্লগনা কমদৌবা?'

তমুবী : চুম্মিনে কনা-কনা তাবীগদবা কায়না"...।

নাওবী : 'ফরে অদুদি পাউখুমদু ইথোক্তুনা থল্লসি'। ৱা-ৱা, ফাক-ফাক নোকমিন্নে।

লাইরিক্কী ৱা নত্তে, সিনা সংসার অমনি তমুবীগী...।

মসিসু খুনসিগী মথেল অমনি। মতমদু পি সী ওদা ফোন তৌবগী চৎনবী কয়া লৈরিঙৈ মতমনি। চাকঙন চাথোক্তুনা পি সী ওদা হোবে হোবে চেন্দুনা কোল তৌরে ইপা পাখৎখৈ অদুবু শুংপায় পায়খৎলকখিদে। নীংঙমদা-নীংঙমদা য়ূমদা হল্লকখি। তমুবীগী আশা কায়খি। মরক মরক্তা ফোন নম্বর পুদুনা হেক হেক চেল্লকই ঈশৈ খল্লুসি হায়দুনা। দাও য়ামন্দবদগী তোক্লে ঈশৈ খনবগী থবক্তো।

মতমগী মতুংইন্না তমুবী মপূং মরৈ ফারক্লে, নাওবীসু চহী হাপচিল্লক্লে। তমুবী মকে শেম্বা পাল্লক্লে। নাওবীদি কয়া কেদে, নুপাদৌনা পংলৈদা লৈ, খোঙগ্রাও অমা শেৎলগা। তমুবীদি ঈরাং পাল্লে। নুপা নহানকা লক্লবদা হরাওজে। লন্বী সরক্তা পংচৎতা চৎনীংখি।

নাওবীবু মরক মরক্তা হৌদুনা হেক হেক চৎমিন্নে। অদুবু নাওবীগীদি মমা-মপানা মপান থোকপা কয়া য়াদে, চৎহন্দে।

তমুবী : চে নাওবী ঐদি নুপানগা গাড়ী থৌরগা ঐনা তোংবা য়াম কি, তাহৌদৌ মাল্লি।

নাওবী : হেরা করি তৌবগী কিদোয়বা। কন্না পায়রগা লোইরে।

মখোয় অনী ফাক-ফাক নোকমিন্নে। তাঞ্জাদুদা নাওবীগী মমা চঙলকই। অনীদু চপ লেপই নোক্লম্বদগী। তমুবী- চৎলগে চে নাওবী য়ূমগী থবক খরা লোইশিল্লুখিগে হায়দুনা হৈনদা হৈনদা থোকখি।

নাওবী তমুবীদো য়ান নুংশিজৈ। মহাক্কী ইঙাও-ঙাওজবা, ইচম চমজবা, অফ ফত্ত কয়া মশক খঙজদবা মতৌদুদা। মচেগী মচাশিংদু মানা কোয়শেন শেন্নজৈ। মচেগী থবক ইনখাং পুন্নমক মানা লোইনা মতেং পাংবী। ৱাই কৌবতা হায়জদে। তুংদা, নাওবীনা কোলেজ কুম্লকপা য়াম্না ৱানা থোঙ্গালদা লেপ্তুনা ঙাইজৈ। নাওবীসু অদু মঙাই কোলেজ ৱানা কুম্লক্লবসু তমুবী লৈরমগনি খল্লুবদা মশাদু খংতেক হেক্তা তেকখৎলি।

মতমনা অসুম অসুম হৌখি। নাওবী মমা-মপানা মপান লমদা ত্রেনিং অমা থাখ্রে। তমুবীদি মচেগী য়ূমদা অদুম লৈহৌরে। মবান্নি ঈ-পাউ অমত্তা ফাওনখিদ্রে...।

চহী মরি মপূং ফারদুনা নাওবীগী ত্রেনিং লোইদুনা ময়ূমদা হল্লক্লে। নাওবীনা তমুবীদি হায়দুনা মচেদা হংবদা মচেনা মহাক মোইরাংদা ময়ূম পানখ্রে হায়রকই। নাওবী ইঙক ঙকই মঙোন্দা ঈ-পাউ অমত্তা খঙহল্লক্তে হায়দুনা শাওরম্মী। নুপাদি কমদৌই? মরম মোকপরা? ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাদবরা? হায়দুনা নাওবীনা হংলম্মী।

"উং মোকই। খরা অহলনি। মশা-মশা নুংশিনদুনা চেনখিবনি, ঐখোয়সু গ্যান তাদে। মচানুপী অমা য়াওখ্রে"।

নাওবী তমুবীগী অঙাং ওইরিঙৈগী মতৌ অদু নীংশিংলকখি। মমিৎতা শং-শং উই। নোংমতা শাওবগী মায়থোঙ উদে। মোমোন নোক্তুনা অদুম লৈবনি। পুখম অমতদা চরা ৱানমিন্নখি...। নুমিদাংৱাইরমদা কোয়বা চৎমিন্নখিবশিং ময়াম অমা মরী-মরী নীংশিংলকই...।

নোংমা নাওবীদো তমুবী উন্নবা মোইরাংদা চৎলি। তমুবী য়াম মেচ্যুওর ওইরল্লে। থায়নগী ইঙাও ঙাওবদুদি হল্লমদ্রি। মচা নুপীদুসু চহী অমা ফারল্লে। মরোল কয়া থোক্তে। মাগা মশক চপ মান্নে। নোইবদি য়াম নোই। হরাও হরাও তৌদুনা চা গ্লাস অমা থকমিন্নরে। মহাক ইকায়বগুমসু তৌই নাওবীদা। য়ূমগী ফীভমদুসু খরা ৱাবগী মমি তাই। নুপাদুদি মরম মোকই। শুবা নোম্ববু লেপত্রবদি কোন্না নুংঙাইজরকপসু য়াই।

নাওবীসু লুহোংবগী মতাং চারে হায়দুনা মমা-মপানা অহল-লমনশিংগা তানরগা নুপা অমদা থাজরে, লুহোংবীরে। মতমগী মতুংইন্না নাওবীসু মচানুপা অমা য়াওরে। মাগী মাগী ইমুং হোৎনবদা নোংমতা চৎথোক চৎশিন শংনদে নাওবীসু তমুবীসু।

মতম খরা লৈরগা য়ূমলোমদগী পাউ অমা নাওবীদা লাকই। নাওবী ইপা পাখৎলি করি ওইরিগবা। 'তমুবী লৈত্রে' হা! করি হায়বা? কমদৌনা?

'অঙাং উনবদা লৈখিদবনি, অনীশুবা অঙাংদু উনবদা, অঙাংদুসু নুপানি। অদুবু মমা মচা অনীমক কনবা ঙমহৌদনা ঙসি অয়ূক লৈখিদবনি।

নাওবী শ্বাই লাউই। মমিৎতগী মপি চদুম-চদুম শিন্থরকই। মদুনসু পেন্দ্রদুনা 'ও' খোংদুনা কপ্পকখি।

লায়রবা মতু শোনবশিংবু দাক্তরশিংনা হন্না য়েংনীংদবা, কনা লৈতে মতাগুম তুহৎপীবা, থৌশাবীদবা মসি হৌনশানি। দাক্তর খুদিংমকপুদি নত্তে অদুবু অয়াম্বনা তৌই। লায়র তোল্ল-তারবশিংগীদমক থম্মোয় শেংনা থৌগল তৌজবশিংবুসু মাঙথোকপী। দাক্তরশিংনা খিত্তং চেকশিনবীরল্লবদি নুংশিরবা ঐগী অমত্তা ঙাইরবা খুঙ্গংগী মমল য়াম্লবা মরুপ অমগী পুন্সি কল্লম্বা য়াবনি।

তমুবীগী নুপা ময়ূমগী মীয়াম, মপাম শেন্দ্রাগী মীয়াম অমদি মচেগী ময়ূমগী মরী-মতা পূন্নমক মোর্গতা থোমজিনদুনা কপ লাউরি। অপোকপী মমানা কপ্না-কপ্না তেংথারি 'মপা ঙন্না কায়নখ্রবীনি, শেৎপা-চাবা নীংবা থুংজখিদ্রবী ইচানি। মাগী করি মরাল লৈদুনা হে তাইবঙ শেম্বা মপু নঙনা মহাকপু অসুক নৌনা করিগী লৌশিনবীরীবনো'। মমা ঐবুসু লৌশিনবীয়ু, ইচা য়াওদনা ঐনা করম্না কনা য়েংদুনা লৈহৌগদৌরিবনো?

ঙসিদি নাওবীগী অশেংবা খ্বাইদগী হেন্না নুংশিজখিবা মরুপ অমা কায়নরে।

নাওবীগী নাকোংদা ঙসিসু ঙংলি 'নহাক য়াওদনা করম্না হিংগনি, হিংগনি করম্না নাইতোম ইথন্ত'।

**— ইটালি মাইবম**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।